"অহানবদা ঐসে লাইরিক ইবী অমা ওইগে খনখিদে। স্কলপটর ওইগে, লাইয়েকপী ওইগে খনখি। কমদৌনা লাইরিক ইবী ওইখিবনো ইশাসু ভাব ইতা তাহৌদে।"
*- এম কে বিনোদিনী*

# শৈরেং

## কবিরগী ঈশৈ

করিগীনো শাগদৌরিবা কোনুং অমা ঐগীদমক?
শিরবদা ঐদি খঙদে
কদাইদা য়াতারগদগে ঐগী অশিবা হকচাংনা।
ঐগী অশেংবা তঙাইফদবা
নৎত্রনে খুদুপ অহুম মখায় খক
করিগীদমক পাম্লুদগে অহেনবা ঐনা?
কবিরনা হায়রিনে, মীদি চাউথোক্কনু
লৌ নঙগী মথৌ তাবা মফমদুদং
নহাক্কী হকচাংগী তঙাইফদবদো।

**সন্ত কবিরগী Mystic Songs of Kabir দগী শ্রীভক্তনা মণিপুরীদা হন্দোকপা।**

## ইখৌ লাংবা
**—ডো. অকোইজম ইবোহল**

কুমজা কুমজা খুদিংগী
লাইরিকখাওদা লাইরিক অহনবা হাপ্তুনা
স্কুলগী ফিজোল অহনবা শেৎতুনা
চহীগী অহানবা স্কুল কাবদো
ওইরক্লবদা ঙসিসু অমুক মতমদো
নৌজরিবা ৱাখল অসে চরাংনৈদা;
নুমিৎ খুদিংগী মহে তম্ফমশঙ চত্তুনা
ইহৈ ইশিন তম্বা ফংলক্তবা
চহী কুম্লাং অমদি ফারক্লেদো
করি করম্বা ইরালবু লঙজরুবগীনো
অসুক অহকপা চৈরাক ফংলিবসে;
অঙাং নাৱা ঐখোয়গী পুন্সিনি
অপাম নুংশি করিনো খঙজদ্রি
কল্লক মিহৌ হায়বদো লৈজদ্রি
চৎচনীংই স্কুলদা অপনবা লৈতনা
ওজাশিংনা তাকপী তম্বীবদো তাজনীংই
ইমান্নবশিংগা চেন চোঙদুনা শান্নজনীংই;
হায়নবদাইনে তাইবঙ পানবনা অসুম্না
পিক্লিবা অঙাংদি তুংগী যূম্বীরেলনি
মফম মতম চানা চানা
ইহৈ ইশিন তম্বা ফংহৌদ্রবদি
শুম চাবা যূম্বী ওইরগদ্রা
খল্লুবদা পাইমা পূক্লিং মিপাইজৈ;
খাঙবা যাবা খাঙলক্লবনি ঐখোয়
খাঙবগী পাঙ্গল থৌনা লোইশিল্লক্লে
খোইরাং খোইশাওনবা ওইনা ফাওরক্লে
করম্বা নুমিৎ থা হায়বদুদবু
লোইবা খম্বা হায়বদু ওইগদৌরিবা
য়েক্লবা কোরোনা নহাক্কী কুন্দ্রৈসে;
হে ইমা মহৈগী লাইরেম্বী
উবীদবরা নহাক্তি নচাশিংনা ৱারিবসে
ফাইরেন থাগী অঙাওবা লৈচিলগুম
পল্লেপফম খঙদ্রিবা পুন্সিসে
অমুক্তদি পীনবীদুনা থৌজাল নহাক্না
লাইরিক লাইশু তম্বা ফংহনবীযুগবা।

## খুয়াখাদা
**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

ৱাকচীংগী উনলেন নঙলদুনা
মরূ কোকলুরবা
হৈপাল-লৈপাল
উপাল-ৱাপালশিংদা
অনৌবা য়েন্নিং হুল্লকপা।
মতু মমান খিংলদুনা
উচেক-ৱায়াশিংনা
মপুগী মিংখৈ শোল্লকপা,
তাইবঙ শেম্বা
হে মপু ইবুংঙো,
নঙগী খূৎশেম নীংথিবা
মালেম কৈদা লৈবগে
ইমা নঙগুম্বী অমা।

## মতমগী খোঙজেল অমসুং পুন্সি
**—সুর্জকান্ত সাদোকপম**

মতম নঙসু অঙকপনি খান্বা য়াদা
খঙনা খঙনা তপ্পা তপ্পা চৎখি
পুন্সি নঙদি মতম মাগী মতুং ইনবদা
চোকথরেদো ৱারেদো
তাইবঙ মানা কল্লক পেন্না তান থারে
পোদ্রোক পোদ্রোক পোদ্রোক
পোখাসি কদাই হেনগৎসি কদাই
অমুকসু খল্লি মতম মাগী খোঙজেলদা
খোঙফম ফাও চুমদ্রিঙৈ
অহেনবতা পাম্লুবা ৱাখল নঙগী নরাল্লা
নীংহন্নবা তৌদে পুন্সি
মতম মাবু ফংলদি খন্দুনা
হুৎ ফাও লৈরমদে
ফেৎ ফাও য়েংলমদে
চৎখি মতম নঙদি তপ্পা তপ্পা ...

## ঈংনা চিক্লা লৈরুরোকো
**—অথোকপম ঙোচা মৈতৈ**

তূমখ্রমাল্লে ইমা
ইমা নঙবু নুংশিবী
নঙগী অয়ো নাহেদা
মীৎকুপ অমতং য়াতাদ্রবী
নচা ৱাখিনি খনবদা
য়াৱা অমত্তা কাংদ্রবী
পুকফবী নঙবু তূম্লব্রা
নঙনা তূমিন লৈখ্রবা
করম খাংগনি নচানা
নঙগী থম্মোয়দা পুরিবা
ফোঙদোকত্রবা ইমাগী পাউখোংদু
ফোঙদোকখ্ররোই অদুমক খনখ্রবা
নঙগী নচানিনে ঐহাকসে
ইমাগী থোংখ্রবা থম্মোয়দু
নুংগী মতৌ ওইখ্রেদো
অদুবু পলেম নুংশিবী
পন্থৌ মাগী মশাইকোন
মদোম চিক্লা ঙাইরিবনি
পলেম নঙবু নুংশিবী
নঙনা লাক্কদৌবা নুমিৎতো
পন্থৌনা চৈথেক থিদুনা
ঙাইরিবনি পলেম নুংশিবী
ঈংনা চিক্লা লৈরুরোকো।

## হরে কৃষ্ণ, হয়ুম শিদবা অনী মুকখায়নবা
**—তোলচৌ শমজেৎশাবম**

হরে কৃষ্ণ, হয়ুম শিদবা
লাইনীং কাঙলূপ অনী
কন্না মুকখায়নরে নুংদা।
হয়ুম শিদবা কাঙবুনা
মীতৈ চৈরাও নোংম পানবা
শজিবু থা অনৌবা চহীগী।
হরে কৃষ্ণ গৌর লাইনীংনা
চরক পুজা শজিবু থানুং
লৈতে অকক্লবা থবান।
হয়ুম শিদা লাইনীংদা
লাংবন থাদা থৌনিরি
ইপা ইপু পোক্লেন পোকপদা।
গৌর লাইনীং থাজবশিংনা
পিত্র তর্পন লাংবন থা
লাইশোল তীনশোল মীয়ানলোন
হয়ুম শিদ লাইনীং তুংইন্না
মেরা থাদা থৌনিরি
পান্থোই ইমাগী মফমদা।
গৌর লাইনীং থাজবশিংনা
দুর্গা পুজা মেরা থা
বলি কৎলি থৱায় কয়া।
তৌনরিবা থৌওং থৌদৌ য়েংলগা
পরৈ হনবা হঞ্জবা মীতৈগী
মরোল লোল্লি অসুম্না :-
অনী থোকপীদা লাইচুখ্রবা
মীতৈ মচা কয়ানা
অখঙ অহৈ শানরি।
মালেমগী লৈবাক কয়ানা
লৌশিংগী পান্থৈ শীজিন্নদুনা
চাওখৎ লমজেল তান্নরি।

## শীদহীদাক
**—রাজকুমারি মীনা**

নীংথমগী উলেন নংলুরবা
পত্থরুরবা হৈরাং লৈরাং
শীথরুরবা উপাল ৱাপাল
মালেম পূম্নমকপু তেকখৎহনবা
মতমনা পুরকপা ঈরিক্লি,
ৱাকচীংগী নোংলেন নহাকসে।
ৱাখল শোন্থরুরবা তাইবঙপাল
পূম্নমকপু মীৎমায় পাংহনবা
তাইবঙ জীবগী শীদহীদাকনি
শেম্বীবা মপুনা চায়থরকপনি,
অথোইবী নোংলিক্লি নহাক্তি।
নীংথমগী উলেন্দা খুইথরুরবা
হৈনৌ মপালসু চোংলক্লে,
নোংদোল লৈমা লাইরেম্বীনা
খৌগংনরবা মালেম লৈকোয়দা
ঋতু খোঙচৎ কায়দনা
নোংলিক ঈরিক খরদং খিকথবদা
মালেম লৈমনা কয়াদা হরাওজবা
তাইবঙ জীব খুদিংমকপু
হানৌ য়েনীং তমহনবা
ৱাকচীংগী নোংলেন্দি নুংশিবী
শীদহীদাক্লি নঙদি তাইবঙপালদা।

## তম্বা ঙমদে পুন্সি খোঙচৎ
**—তবানু খুরাইজম**

সহরগী লৈকোন্দা নোংমা চঙলুই
পূক্লিং শুমখি মপানগী লৈতেংদা
অমম্বা নোংগী মতৌগুম মল্লবা
নাহেখোল অমা কা মনুংদগী
নাপ্পদা তাখি খঙহৌদবা মীকুপ্তা
তুজুংবা ফাওখি খোঞ্জেলদুদা ঐহাক
অমুকসু খল্লি কদোমদগী খোঞ্জেলনো
মপানগী ফজরবা লৈকোন্নদি ঙাওহনখি
ঐহাক্কী পূক্লিং ৱাখল শুমহৎখি
অদুবু পূম্নমক মাঙহনখি খোঞ্জেলদুনা
হে মংদুনা লৈরিবা নোং
ওমচাক্লরে হকচাংসে খাঙবা ঙমদরে
তারো তারো নথৌদাং পাংলো
অৱা নুংঙাই পুন্সি লন্বীদা
অৱাবনা শরুক্তা ওইরিবা জীবদা
হে রাহু কৌবা দেবতা
অৱা নুংঙাই লংদাইদা
ঙাইহাক লৈতনা নঙনা য়েৎলিবা
কয়াম কুইনা ঙমদুনা চৎখিনি
ফজবী মায়থোঙগী পুর্নিমা থাজদা
অমুবা মচুগী রাহুনা উমদুনা
ঐনা তৌরিসিবু চুম্লিবরা খল্লুই
তূমিন চৎনখি হিংনবগী লানফমনি
অচুম্বা চৎকে য়াদ্রবা পুন্সিনা
কোয়না থিরি অরানবা সংসারদা
ফজবসু অথিবা ওইরম্মী পুকচেল
অথিবসু ফজরম্মী নুংদা পুকচেল
তম্বা ঙমদে পুন্সি খোঙচৎ
ঙসিগী তাইবঙ মীওইপোক্তা।

মতম মতমগী ৱাখল

# খুল্লং ঈশৈগী অপোকপী ইমা লাংঙথেন থোইনু


পোকফম শাৎফম য়াওরগা খঙনখিবা লৈপাক্কী থৌগল তৌবীখিবশিং অসি অয়াম্বদি লাইওইখ্রবনি। লৈহৌরিবদি অমা অনীখক্তা ঙাইরবনি। মখোয়শিংগী মনুংদা ইমা লাংঙথেন থোইনুসি শৈশকপী অমনি।

লমনরা মীনরা ? ৱাহং অসি হংলকখিবা কুইরে । পাউখুমদি ইলায় লায় । লমসুনি মীসুনি। ঐখোয়না ঐখোয়গী হৌরকফম, পোকফম শাৎফম কাওথোকপা হুন্দোকপদি কৈদৌনুংদা য়ারোই। ফুরা দলান, ৱাংলবা চেকপল, লম্বী সরক, যূমলৈ কৈরৈ অরং অরাক্লা থনবা মফমদা মহৌশাগী নাৎকী হৌরকফম ওইদে । ইশম শম্না থম্বালবু কদায়দা শাৎপগে? কোম্বীরৈবু লমদম কৈদা লৈশাৎ তম্বগে ? লৌবুক লম্মাংগী ফজবা, চীংয়াগী থেল, ষনজাবুং, পাৎ, খুল্লক লৈরক, তুরেল মপান, পোৎপু লাঙ্গোন, ষনগাড়ি, কাংকোৎ, ফৌশুখোংগী ৱারীশিংদগীনি খুন্নুং ঈশৈ, খুল্লং ঈশৈগী শৈরোল লাকফম ওইরকখিবসি। ঙসিদি হিদেন তাফম লৈত্রে, ফৌশুখোং, লৈ লাংফম, লৈশাবী পাখং লৈ থিমিন্নবা, লিকোন শান্নমিন্নবা, থমচেৎ চাবা, চৈরাউ চীং কামিন্নবা মতম অমগী চম্না লেল্লকপা পুন্সি মহীংগী ৱারী মাঙখ্রে । মীগা মীগগী মরক্তা থাজনবসু মাঙখ্রে ।

ইমুং অমগী অহল লমনশিংনা চৎনরকপা হৈরকপা মহৈ মশীং মচা মশুশিংদা খজিক্তা ওইরবসু হঞ্জিনবা য়াওরকই। শকওং শাজৎ, শাবান, ৱাঙাং ফাওবা, এ! সিদি মপুবোক মাল্লেদা মবেন লৌরেনে, অহল লমন হঞ্জিল্লে অসুম্না হায়নরকই। অহল লমন মানবা মচা মশুশিং ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা লূম্না লৌই, খোঙনা খুৎনা শোকহৈদে হায়দুনা খন্নবা কনাগুম্বসু লৈখি । ইমুং মনুংগী অহল লমনশিংদা জগোয় ঈশৈ, খুৎ-শা হৈবগী শিনফমদা লৈখিবশিংগী মচা মশুশিংসু মপা মপু, অহল লমনশিংনা তৌরম্বা থবক্তা খরদি তুংইনগল্লি । সিগুম্বা মতাংসিনি মৈনা ৱাই তাংনা শমথরকপা হায়না অহল লমনশিংনা শৈথানরিবসি । মীরোল অমদগী মীরোল অমদা মতৌ অসুম্না থংথরকপা চৎনবী অসি লম লমগী মতুংইন্নসু খরা অমুক তোঙান্না চৎনরকপসু থেংনৈ ।

লৈমা নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদসু মপা মপু নুংঙাইখিবা ইমুং মনুংগী মচা মশু ওইরগদদি নুংঙাই য়াইফবা হায়বসি মখোয়গী শরুক্নি হায়না খাকপাগুম্নসু থেংনখি। মশিল লাইরিক্তা যুম্নাক মশিল য়েনথোকলকপদা, যূম্নাক শাগৈগী মতুংইন্না মানা মানা চারোল শুরোল ফাওবা তৌগদবা থবক য়েম্থোক্তুনা খায়দোকলকই । খূদম ওইনা থাংজম নৎত্রগা থাংশাবম নঙনা থাং শারো । মসিনা তাকলিবসি থাংজম নৎত্রগা থাংশাবম হায়বা যূম্নাক অসিগী চাদা নাওদা ফাওবা মখোয়গী শিনফমসি থাং তেন, য়োৎশুবগী থবকসি মখোয়তনা তৌগদবনি হায়বা অমা তাক্লি । ঙসিদি থাং তেন শাবা, য়োৎ শূবগী শিনফমদা থবক শুবসি থাংজম নৎত্রগা থাংশাবম খক্তনা তৌদ্রে । মতৌ অসুম্না ফুরিৎ শাবমনা ফুরিৎফিরোলতমক শেম শাবগী থবক, অহৈবমনা কোল লিক হৈবগী থবকতমক চারোল শুরোল ফাওবা অসুম শাদুনা লৈবসি ঙসিদি তৌনরকত্রে। মসিবু চৎনরকপা থুগায়বনি হায়গদৌরিব্রা? হান্না শুরমদবা, তৌরমদবনা তৌরকপসি শিনফম মুনবা তাগদৌরিব্রা ? নীংথেমচা, বামোন মচাদি ষনপোৎ খোয়বা লৌ উবা য়াদে, ইপা ইপু হাকতক্তগী তৌরক্তে হায়দুনা শুদনা হিংবা য়াগদৌরিব্রা? অসিগুম্বা ৱাহং কয়া অসি ঙসিগী মীরোল অসিদদি ৱাহং চাম্মা চাম্মনা খুজিং ওইরগা হংনরক্লি। হৌজিক্কী মতম অসিদদি মতম অমগী শিনফমদা হেঞ্জিন্নদবা মতৌসি উদ্রে । মসিনা নাৎকী মশক্তা কায়রকপ্রা হায়দুনা অমুক কনাগুম্বনা হংলক্লগদি মতমসিদদি খরা তাইওন্নরে । অপীকপা চায়গোইনুংদা খোমজিন্ তাশিন্দুনা কুইনা থম্বদগী চাউখৎপা ঙমদবসু লৈ । মতম অমগী চৎনরম্বা পাম্নরক্তবদগী হোংদোকখিবা, থাদোক্তুনা চৎখিবসু য়াওই। কনাগুম্বা খরনা অমুক মতম অমগী অরীবা চৎনরম্বা অদু ইপা ইপুগী লননি হায়না লাইগুম্না লাৎতুনা থম্বীরম্বসু লৈ। মসিমদি খর তাঙনা থোক্লি । অসিগুম্বা পোৎশক অসিবুনি ঐখোয়না নাৎকী মশক মাঙহন্দা য়োকখৎতুনা থম্বা হায়না অখঙ অহৈশিংনা হায়নরিবসি। কান্নবা হায়বা অসিমদি পোৎশক পোৎশক্কী মতুংইন্নসু লৈগনি।

হীরম অশোমদা নৈনরগদি নৈননিংঙাই কয়া লৈগনি। মসিনা মাইকৈ অমদা লৈখিসনু । হন্দক চহী খর অসিদা লমদমসিগী নাৎকী মশক্তা অহোংবা খরা লাকপা উই । নুপীমচা নুপামচা খরা, মীয়াই চনবা কনাগুম্বা ফাওবা য়াওনা পেনা ঈশৈবু পামজনা শকপা, পেনা খোংবা অমদি খুলং ঈশৈ নৎত্রগা খুল্লং ঈশৈ অৱাই অখুম তৌদুনা শকপা, মোইরাং কংলৈরোলদা লোইকুম লোইকা, কাও ফাবা ঈশৈ শকপা লৈশা পাখং মশীং হেনগৎলকপা থেংনরি। তাবিনবা মী লৈররোইদ্রা ৱানরম্বদো ঙসিগী নহারোলশিং ফোকশোং তাবা হৈনরক্লি । মতৌ অসুম্না নট সংকীর্ত্তণ ঈশৈসু মতম ঈশৈদা য়ানশিন্দুনা শকপা পাম্না তানবা হেনগৎলকই। য়ানিংবা য়ানিংদবা, পাম্বা পামদবনা অমনি, নহারোলশিংগী মরক্তা অসিগুম্বা মখলগী ঐখোয়গী ওইবা শৈশকলোনদা খোং থাংজিনবা য়াওরক্লিবসি ঐখোয়না শৌগৎপীফম থোকই ।

য়াম্না মরুওইবা অমখক্তি,ঐখোয়গী মরক্তা মতম অমগী অহল লমনশিংগুম্না হায়নবা শোন্নবা অমখক্তি ইঙম ঙমদনা উরি। মদুদি মথক্তসু পঞ্জখ্রে ' লমনরা মীনরা ' হায়বা অসিনি। মতম অমগী ফোকশোংশিং পেনা শকপবু ওইরো, খোংজোম পর্ব্ব শকপা, মোইরাং কংলৈরোল শকপদবু ওইরো লৈপাক মীয়াম্না শোন্নখিবা, হায়ন-ঙাঙনখিবা শৈশকপা মীওইশিংদি মশাগী মমিংদা মাগী লম পোকফম শাৎফম পক্তুনা মমিং চৎখিবা মীওইশিং লৈখি । খরদং পনবা তারবদি- ৱাংঙু খোংনাং, থাঙ্গ মাঙ্গোলজাও,লমজাও তোম্বা, তাবুংখোক থোইবা, মোইরাং অচৌ,কোদোমপোকপী মেরা, থিয়াম কোঞ্জিন বীরা, সেক্তা কলা, লৈমপোকপম য়াইমা, নুঙ্গোই মেরা, নুপীলক্তা-মোইরাং জাতি, লাংঙথেন থোইনু, কুম্বী ইনাকখুনবী, মোইরাং মেন্মা অসিনচিংবশিংনি। পঞ্জরিবা মীওই খরগী মথক্তসু হায়জখ্রে মদুদি ঙসিগী মীরোলদা নহারোলশিংনা খুল্লং নৎত্রগা খুন্নুং ঈশৈ শক্তুনা থৌরম কয়াদা উৎনরক্লি । মখোয়শিং অসিনা উৎচরিবশিং অসি তম্বীবা তাকপীবা অমা লৈতনা মখোয়না হেক্তা পংতৌ তৌশিনবা অদুমক্তি ওইরোই । শিন্তাকপা অমা নাইরমগনি। ঙামু পোরোং মহা থারগদি মনাক্তা, মরুমদা মপী লৈরমগনি। মপী লৈবনা মহা থাবনি। মহাশিং অসিনা চাউখৎলক্লগা মপী অমুক ফারক্কদৌরিবনি। ঙাগী মহাদি মপীনা লোইনরি । ঐখোয়গী নাৎকী ঈশৈ নোংমাই, জগোই ঈশৈগী শিনফমদা চংশিল্লক্লিবা নহারোলশিং অসিসু তাকপী তম্বীবা ঙম্বা অখঙ অহৈ শিন্তাকপশিং লোইনবা মখোয়দগী তমহৌবা চংলি। তমসু তল্লি খঞ্জে । মতাং অসিদা ইমা লাংঙথেন থোইনু অসি নীংশিংজরকই। ইমা লাংঙাথেন থোইনুগুম্বা অহলদি মশীং অহুম শুনবা খুৎ থেকপদা ৱাৎশিল্লকলি । ইমাখোয়গুম্বদা লৈরিবা খুল্লং ঈশৈ শৈশক্কী শৈশক সি ঙসিগী নহারোলশিংনা কয়াম লৌশিনজবা ঙল্লবগে অমদি তমহৌরবগে হায়বসি হংনীংঙাই ওই । অহল লমনশিং অসিগী মনাক্তা নোংমা ফাদোক চৎলগা ৱা হংলুবা অদুনা য়ারোইদৌরি । মহানা মপীগা লোইনবগুম লোইনবা অমদি চঙলি । অসিগুম্বা মতাং অসি য়ৌরক্লবসিদদি লোইনবা তিন্নবা তমহৌনবগী কয়াৎ অসি মহৈরোইশিংনা শেমজবা অমা চঙলি ।

ইমা লাংঙথেন থোইনুবু খুল্লং নৎত্রগা খুন্নুং ঈশৈ শৈশকপী অমা ওইনা খঙনরিবসি ঈশৈ শৈশক অসিগী লমদা চঙশিল্লিবা খরতনা খঙবা ওইনা তৌরি। মরী লৈনবা লৈঙাক্ল ফাওবা মহাকপু কূপ্না খঙবীদবগুম্বা অমসু উজৈ । ইমা ইবেম্মা অসিদা করি করম্বা ফোকশোংগী শৈশক শৈদা, ইঙ্গিৎ ইচু লোইনরিবগে ? মহাক্না শকপা ঙল্লিঙৈ, কল্লিঙৈগী মতমদা করম্না খোমজিন তাশিনবীদুনা তুং কোইনগীদমক থমহৌগদগে হায়বসিগী থৌরাং লৌখৎত্রি। মীডিয়াগী মীওইশিংনা উন্নরগা রেকোর্ড খর নুংশিবীদুনা থমহৌবা অসিনা মপুং ফাবসু ঙম্লোই । মহাক্কী মহৈশঙ গুরুকুল করম্না চৎথরিবগে ? হিংলিব্রা কনানা মহুৎ পুবীরি। পরম চুমলিব্রা ? মথক্তা মচেৎ ওইনা হৌরকফম লমশিংগী মতাংদা খরদি হায়খ্রে । মতম অমগী অহল লমন শৈশকপা শৈশকপীশিংগী পোকফম শাৎফম অসি য়াওনা ঐখোয়না লম্মীৎলোন খঙনা নৈনবা, থিজিন হুমজিনবা মথৌ তারি। চুম্নগী ঈশৈ তম্বনা অৱাৎপা ওইগনি। ঈশৈদা শীজিন্নরিবা লোন্দা পুদা, শৈথারিবা ময়েক পোকফম শাৎফমগা মরী লৈনৈ। লমগী, লম্মীৎলোনগী মতুংইন্না শাজৎ মান্নদে । ঋতুগী খোঙচৎ মনুংদা কালেন, নীংথম, নাকেন, নোংজু হায়না কুম পুবা থা লৈদুনা অইং অশা মান্নদবগী মতুংইন্না মহৌশাগী অহোংবা লৈরকপনি। লাংবনগী খোইহি, নীংথমগী খোইহি,কুম খেন্নবগী মতুংইন্না খোইহিগী মহাউ মান্নদবনি, খোইহিগী মতীক ময়াইদি চপ মান্ননা লৈবগুম লম লমগী তাকপীবা ঙম্বা শিন্তাকপশিংগী মতীক ময়াইসু অমমম লৈজরি। অসিগুম্বা কয়া অসি লৈবনা মাঙলমচৎকী ঈশৈ নোংমাইগী মরমদা খঙ হৈরবা, অহল লমনশিংগী মফমদা নীংথিজরবা, নাৎকী মমল য়াল্লবা ফোকশোংগী ওইবা শৈশক পরিংশিং খোইহিগুম্না তুংদুনা লৈরি। মসি খঙনা হৌরক্লিবা মীরোলনা লোকচবা,তমহৌবা চঙলি । খঙ-হৈরবা অহল লমনশিং,মরুওইনা নুপীলক্তা ইমা ইবেম্মা লাংঙথেন থোইনু অসি মরুওইবা খুল্লং ঈশৈ শৈশকপী (ফোক শোং শকপী) অমা ওইরি হায়বসি ঐখোয়না থাক ৱাংনা খঙবীবা অমসু চংঙি । ইমা ইবেম্মা অসিগী মফমদগী মতম লৈরিঙৈ, মতাং চারিঙৈদা হৌরক্লিবা নাৎকী খুল্লং শৈশকপু তম্বীরিবশিংনা লোয়নদুনা তমজহৌরগদি খঙলিবা খরা অদুগী মথক্তা অহেনবা খরদি ফংগনি থাজজৈ । মহাক্লুম্বা নুপীলক্তা তাঙলবনি। অহল লমন মশক খঙনা, খোমজিন তাশিন্দুনা খঙনবা মহৈ তমহৌবনা তুংগী লন ওইহৌগনি ।

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

# রাগ দরবারী-৮৪
**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

(হান্নগী মখা...)

ৱাফম অদু তাবদা রঙ্গনাথ লৈবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈখ্রে। মহাক্না হংই, "করিনো ময়েক শেংনা অদুমক হায়য়ু। করিনো ফুম্লগা থল্লিবদুবু?"

সনিচরনা ময়া মশা মথন্তা চিকশিন্দুনা নুংশা শ্বর হোঞ্জিনজৈ অদুগা হায়, "রঙ্গনাথ বাবু, মসি গঞ্জহশিংগী পাউখোংনি। য়াম্না থুনা অদোম্না খঙবা ঙম্লোই।" অদুবু মহাক্না ৱাফম অদু হায়রবা মতুংদা ওল ইন্দিয়া রেদিওগী পাউদা অমগী মথংদা অমা মথং-মথং হায়থরকপদৌনা সনিচরনা থৌদোক অদুগী মতাংদা লেপ্পা লৈতনা হায়থরকই। মহাক্না হায় :

"গুরু মহারাজ, কালিকাপ্রসাদ হায়রিবা মীশক অসি য়াম্না লমহেনবা মীশক অমনি।" সনিচরনা হায়বগী মওং অদু কালিকাপ্রসাদপু পদ্মশ্রী এৱার্দ পীবগী মওং মাল্লি। "কনাগুম্বা হৈশিংবা মীওই অমদগী থবক খরা তৌহন্নবগীদমক হায়রিবা মীওই অদুগী শকফম অদু হৌজিক সনিচরগী ওইরিবা শকফম অদুমক ওইগদবনি। করিগুম্বা মথৌ তারক্লবদি ফজ-ফজবা ৱাফম কয়া হায়গদবনি। চিন-য়া কাথোক্তুনা চিন্দগী বোম-তোপ কাপ্পদৌনা কাপথোক্কদবনি। শ্বর অমমমদা এম এল এ মঙা-মঙাগী মমিং হায়গনি অমসুং হৈশিংবা মীওইশিং ফাওবা মতৌ অদু উবদা ময়া কাখৎতুনা তাদুনা লৈগনি। মতম অদু কনাগুম্বা অমত্তনা কালিকাপ্রসাদপু থিংবা ঙম্বা মতম নত্তে। হেক থিংলুবদা মহাক কনানো মশক খঙগনি।"

"অদুগা মহারাজ, কালিকাপ্রসাদ করিগুম্বা শাথিবা হৈশিংবা মীওইশিংগা মায়োক্লরবদি ৱাইখুগী মতৌগী থেকোই-নাকোই তৌরকই। করিবু হায়গনি মহারাজ, মমিৎ মখাদা য়েংদুনা ভুদানি নমস্কার তৌই মদুদা হৈশিংবা মীওইশিং ফাওবা ৱাখল খন্দুনা লৈ মদুদি মহাক অসি কনানো- ৱিকাসভাইরা নৎত্রগা প্রকাশভাইরা হায়না। মকোক য়াম্না লৈবা মীওইনি, অদুবু অপঙবা মীওই অমগুম্না লেপ্তুনা লৈগনি অদুবু মহাকপু নমথনবা কনা লৈতে। য়াম্না হৈথোই-শিংথোইবা মতিক চারবা মীওই কয়া ফাওবা মহাকপু অপঙবা মীওইনি হায়না খন্দুনা অদুমক চৎনখি। মতম অদুদা মহাক্না তুংলোমদগী এটেক্ট তৌগনি।"

"গুরু মহারাজ, মহাক্কী খদ্রক-মদ্রককী ৱাদি হায়রুদনা করি কান্নগনি? লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংগী পিওনদগীনা ওফিসর অদুগা ওফিসরদগীনা অচৌ-অচৌবা ওফিসর ফাওবা মানা খঙদবা লৈরোই। পুরা চে চাবা তিন অমগুম্বনি। চে চাংগী মতাংদদি লিৎথোক-লিৎশিন হৈখ্রবা জাৎনি।"

"মহাক্না শিবপালগঞ্জবু মমিং লৈহল্লিবনি।"

"গুরু মহারাজ, হৈশিংবগী মতাংদা ঐখোয়সু য়াম্না উৎখিবনি, অদুবু কালিকাপ্রসাদ য়াওদনা শম্না অমা ফাওবা লেংবা ঙমদে। ঐগা লোয়ননা নুমীৎ হুম্নি ফাওবা সিটিদা কোয়বা মতমদা মমিং লৈর-লৈরবা রিক্সো থৌবশিং ফাওবা হুমাং অনপ্পী কান্নরিবনি। অদুবু মহাক হনবা কৌবা লৈতে। মহাক্না হায় মদুদি মসিদা য়াদ্রগনা অতোপ্পা মফমদা চৎলু। অদুগা মফম অদুদা অমুক য়াদ্রগনা অতোপ্পা মফম অমদা অমুক চৎলু। অদুম্না সিটি অদুবু মহাক্না লৈখোম থোকহনখি হায়বা য়াই।"

"ওজা, ঐগীসু অদুমক হৈশিংবা খরা লৈজৈ। তশেংনা হায়রগদি পূম্নমক অদু ঐনা তৌহল্লিবনি। মদুগী মতুংদা কালিকাপ্রসাদনা মখা তানা থবক তৌবগী ৱানি। ঐহাকসু অদোমগী দরবারদা তোয়না ফম্লকপদগী লৌশিং-জ্ঞান খরসু ফংলে। হায়নবা লৈ মদুদি শান্নফমগী লৈবাক ফাওবদা শান্নরোইগুম মপাঙ্গল কল্লি হায়না। বদ্রি ভৈয়াগী শান্নফমদা পিক্তু শাফবা অমা থোক্লকপগুম্না ঐহাকসু জ্ঞান খরদি ফংলে।"

"ঐনসু পাউ তাই মদুদি ঙসি-ঙরাং অসি য়াম্না কন্না মতেং পাংনরি হায়না। ব্লোকতগী এ দি ও অমা লাক্লম্লগা হায়রম্মী মদুদি নশাগী লৌফমবু নশাগী লৌফমনি হায়না হায়গনু, পূম্নমক্কী লৌফমবু ঐগী লৌফমনি হায়না হায়য়ু অদুগা নশাগী লৌফম অদুবুনা পূম্নমক্কী লৌফমনি হায়য়ু; মদুদতা অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা ফৌথোক য়াম্না থোকপা হায়বদু ওইগনি। ঐনা হায় মদুদি য়াম্না ফজবা আইদিয়ানি অদুবু করিগুম্বা ঐনা প্রধান ওইরবদি লৌফম পূম্নমক লৈঙাক্কা লোয়ননা পূন্না লৌ উনবগীদমক লোয়ননা পীথোক্কনি। এ দি ওনা হায়, লৈঙাক্না নহাক্কী লৌফম লৌরগা করি তৌগদৌরিবনো? লৌফম হায়বসি ফেক্টরিদি নত্তে? লৌফম নহাক্কী ওইদুনা অদুমক লৈগনি। লৌসু নশানা অদুমক উগনি। শুপ্নগী চেং চাং খরা ইনরগা পূন্না হেক্তা লৌ উমিন্নবা য়াগদ্রা! খুঙ্গংদা কোওপরেটিভ ফার্ম হাংদোক্লগনি। পূম্নমক্তা শিবপালগঞ্জ মাংজিন থাদুনা চৎপা হায়বদু ওইগনি। ৱাফম অসিগী মতাংদা পূম্নমক্তগী মাং থাবা হায়বদু ওইগনি।"

"ওজা ইবুংঙো, ঐনা খল্লি মদুদি শিবপালগঞ্জা মাংজিন থারগা চৎকেরা নৎত্রগা মনিংদা লৈহৌগেরা ঐদি মহারাজগী য়াথং ইন্দুনা চৎকনি। প্রধান ওইনবগীদমক লেপ্পবনিনা প্রধান ওইদুনা অদুমক চৎখিগনি। ঐনসু এ দি ওদা হায়বনি মদুদি এ দি ও সাহব, শিবপালগঞ্জবু অদোম্না করি হায়না খল্লিবনো? ঐখোয়গী য়ুং অতোপ্পা মীওইশিংদগী করিসু খেন্নবা নত্তে। ঐখোয় হীরম খুদিংদা মাং থাদুনা চৎলি অমসুং মাং থাদুনা চৎখিগনি। ঐনসু এ দি ও সাহবতা শাওনা হংবনি ৱাফম অসি ওইগদৌরিবরা নৎত্রগা ওইরোইদৌরিবরা। মহাক মশামক্লসু ৱাফম অদু য়াজখিবনি।"

"মতম অদুদা গুরুজি, ঐহাক্না কালিকাপ্রসাদবু নীংশিংলকপনি। ঐহাক্না খল্লি মদুদি বজরঙ্গবলিনা চাম্মরক কালিকাপ্রসাদপু ফুরিৎখাউ পীক থন্না হাপ্পিরবসু অমুক্তং ওইরবসু ঐখোয়গী অপঙবা অসিদসু কান্নবা খরা পীবিবা য়াই। শেল শুপ্নগী কালিকাপ্রসাদকী মায়কৈ তম্না খক্তা চৎলিবা করিগীনো, অমুক্তং ওইরবসু ঐখোয়গী মায়কৈ তম্নসু লাকপীবা য়াই।"

"ঐসু মদুমক চপ য়ুংনা খন্দুনা বজরঙ্গবলিবু খুরমজদুনা অঙাংবা ফৈজোম য়েৎশিন্দুনা ঐসু হেক্তা কালিকাপ্রসাদগী য়ুমগী মায়কৈ তম্না চৎখিবনি। কালিকাপ্রসাদতা ঐনা করিগুম্বা পোলিসি অমগী মতাংদা শান্নবা লৈখিদে। ঐনা হায়, ইবুংঙো সনিচর, তোপ-তোপ্পা থবক অমা তৌ মদুদত্তা মায়পাক্না থবক তৌবা ঙমগনি। মরম অদুনা ঐখোয় অনীনা পুনশিন্দুনা স্কিম অমা শাবনি মদুদা ব্লোক এ দি ও-এফ দি ওগা লোয়ননা পুমঙাও ঙাওবনি। এ দি ও সাহবনা ঐখোয়গী লেংবানদা মখুৎনা থারদুনা হরাউবা ফোঙদোক্লদুনা হায়, গঞ্জহা ওইরবদি অদুম্না তৌগদবনি। ঙরাংদা ঐখোয়না স্কিম অদুগী মতাংদা হায়খিবনি ঙসি অদুমক স্কিম অদু শেম শাদুনা লৈরে।"

"ওজা, মদুনা মরম ওইদুনা হৌজিক খুঙ্গং অসিদা কোওপরেটিভ ফার্ম অমা হাংলগনি। হাংগদৌরিবা ফার্ম অসি মায়কৈ অসোমদা অনীশুনা লৈরোই। মখা থংবা শরুক্তা লৈরিবা নাপী হৌবা মফম অদুদা ফার্ম অদু মনিং তম্না হায় হুমদুনা লৈগনি। নাপী হৌরবসু করিসু কায়দে। মদুদা চঙগদবা পোৎশক খুদিংমক ব্লোক্কী মীওইশিং অদুনা লোয়না য়েংশিল্লগনি। চঙগদৌরিবা চে-চাং অমদি পোৎশক খুদিংমক্কী ওইনদি মেজিস্ট্রেদ-পুলিসশিংগী মহাক মপানি হায়বা য়াই। শেম্মুবু হায়রবদি মহাক্তি অতিয়া ফাওবদা কোওপরেটিভ শেম্বা ঙমগনি অদুবু মফম অসিদি মালেম লৈবাক্তা লৈবনি।"

"সিটিদা চৎলগা ঐখোয়না পূম্নমক ফিট তৌরম্লগা লাক্লবনি। ঐখোয়না খল্লি মদুদি চহী খুদিং মহারাজনা মিনিষ্টর অমা ফাদুনা কোলেজদা পুরকপগুম ঐখোয়সু হন্দক্তি মিনিষ্টর অমা পুরক্লবা হোৎনরি। অদুবু থবক অদু অদোমগী মতেং য়াওদনদি ওইথোকপা ৱাগনি। অসোমদনা কালিকাপ্রসাদনা হায়রিবনা থবক অদু ওইনবগীদমক মিনিষ্টরগী করি মথৌ তাবগে। মদুগী মহুৎতা অচৌবা ওফিসর অমা য়ানবা শিল্লু।"

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা